
প্রকিংগো বা

পুরিংশী বা


3225

রাহৈ অমনিদং

শ্রীমন্¹ হেক্রুজাম্বগী শৈরেং কয়ামুক্তী থোমজিনবা—"পুক্নিংগী রাগ হায়বসি অমুক্তা পাথনা য়াদহুনা অনী অহুমলক হন্না পারে। মওং অমমি। শৈরেং খরদি অর্থ তাপ হেক লাকশিনবদা রায়। থয়া কুপ্পা খঙ্ময়গা অর্থ থোকপগুম ৎৌই। মহা ওইরিবা কবি অসিগী মূর্তিসি—পুক্সিবু খঙনীংঙনা য়েংশিনবা, অঙকপা খঙজবা কয়াম্থ থেংনবা, খঙলবোই নীংলুবস্থ অমুক খঙলক-মগুম ৎৌবা, অচুম্ববুদি য়াম্না গামজবা, পঙশাউ শাউরুবগী দক্কায় লৈতে হায়বস্থ খঙ্গোকপা, পুক্সিবুস্থ নুংশিবা, অগং পুম্বুম্থ নুংশিগে হোংনবা, নুংশিনীংবা, মীশক অমা ওইনা ঐহাক্না উই। খোঙ্গেল হৌদে....তুমিন্না মুরুম মুরুম্ন শোনবনি, তপ্পা হায়বনি নোমুক্না।

শৈরেংগী পরেংশিংসে চুম্নগী খল্লগা থোয়কপা মতুনা খঙহৌদনা পুক্নিংগী তোঙান তোঙানবা মরোলদগী থোরকপনি হায়নস্থ লৌনৈ। চুম্না অস্থম লৈরম্বদগী থাক অমদগী খঙহৌদবা ফজবা শৈরেংগী মশকস্থ থেংনদবা মস্তে। মতাং খরদি লৌখত্তবা চমদে। "মীং উইশিন্নুনা অচীকপদা / অকোম্বা য়েংহুনা/ মমস্থা মর্কগী / শংকে নীংলেনে রাহৈ অমতং /" (পুক্নিগী অর্থ, ফামায় ২)। য়াম্নমক্ কজবা প্রমাণনি। অমুকস্থ - "অঙ্গোনবা অৌরবা অবীগী কুপ্পেদা / মিতাম্বিবা মীংয়েংনা হংলি থংমাল্লম্বা / তরক তরক তাদরা হায়না? মীমিলনা চন্দ্রবা লাংঙবা মকমঙ্কা /" (হিংনীংবগী মরাই—ফামায় ৮) 'থাজদনা

পুখংলকই। অমুকস্ন মালেমগু ইমানি হায়না লৌরগা, কোরৌবু পস্থৌনি হায়না লৌরগা মমীং অনীমক উইশিল্লগা হায়রকপা — "পশেম তেংথা তাবদা / পস্থৌ থস্থোয় কায়হনা / অতিয়া কৌবা মীগুগী / পিরাং ওইনা তাবনি /" (য়াইক পাউজেল, লামায় ১৯) — তাবদা মুংশি। অমুকস্ন মণিপুরগী লুকমায় পানথী অহল অমগী মশক লৌরহনা পুন্সিগী চেকশিন্না থমজরবা কয়াবু থেন্দুনা থম্বদা খঙবিন্দ্রবা তাইবঙগী ভাব লৌরহনা হায়রকপা "তাইবঙ কৈথেলসিদা / কাউননবা অরাবা / কম্নি চাইথোক্তুনা / লৈবিন্দ্রবা পোং ঙাক্তা ইমাঙদা /" (শান্নবা মীংস্নাদা, লামায় ৩০) নীংথিজবা পরেংনি।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেং অমনিদি লাই তোংলবা মাইবীগী মাংক্ষম লৌবগুম্না উই। চুম্নগী রাথলগী নস্থোদগী থোরকপা মান্দে। কবিনা য়েংথোকখিবদা শেঙ্গেংগী পুখমনা, চৌকিনা, অরাংবা পাম্বীনা, য়ুমগী থোংজাওনা মথাক্কুম্না থেংনরকপা অমস্নং বারী শারকপা, লোইশিনবদা "খোয়েন মংলান মংলশ্মি / থরায় কৌবদো লাক্লম্মি / এঙোন্দা মানা তাক্লম্মি / পূম্নমক ঐগুম্বনি উংলম্মি / ঐনা গুক্তুনা য়েংলম্মি / মায়কৈ পুম্বা তাল্লম্মি /" (মায়কৈ পুম্বা, লামায় ৫১) মিস্টিক এক্সপিরিয়েন্স অমগী মশক লৌই। অমুকস্ন "ঈশে অমা তারকই / নাকোং ঐগী মেল্লকই / অর্থ অহুগী থল্লকই / মরৈ কয়া য়েংলকই / রাথলনা ঙমহনা ইল্লকই / ঐনা লাপ্পা থোক্লকই /" হায়না হৌরগা লাইরিক পাকমদা, কুপ্পে মকমদা, য়োরক্লগা লোইশিনবদা "ইঙ্গাং কৈথেল উরকই / মীয়ামদো লাওবা তারকই / পৈশানা ঙাংনা য়েংলকই / মমলনা ভুকথনা কম-

হৌই / রাখলনা ঐবু চিংলকই / খুদি থিনা হল্লকই /" (খুদি থিনা, লামায় ৬৮) মসিদা চোংথোরক্লিবা রাহৈ খরগী মুক্তি-শিংসে পুক্নিংগী অরাংবা থাক অমদগীনি। অসি মতুবা ফনা ফজে হায়না লৌবা য়ারবা শৈরেংশিং "চোকপল মনুংদা", "অমত্তা ওইবা", "উপালনা ঙাওহৌবা", "অউবা ঈশ্বর" হায়রব-নচিংবা খরসু পনবদা মতিক চায়।

শ্রীনন্দ হৈক্রুজাম্ববু ঐহাক্না নহা ওইরিবা কবি অমা ওইনা তরাম্না ওক্লি। মতমগী চংনরিবা "অশাউবা কবি" ওইবা ঙমদে হায়রুনা নীংবা কায়নীংঙাই লৈতে। মহাক্কী হনবা নাইদ্রবা পুন্সিবু খঙনীংবগী মীংয়েংদা জগৎকী পদ'থশিং অসি মথং মথং হায়দোরক্লুনা মুমিংকী ময়শক ওইরবা অচুম্বহৈ অস্থুম অস্থুম থেংনরবকপা ওইসনু। জগৎকী শক্লোন অমত্তা নত্তে। থক্কা মক্লোন তরেং, খাদা তরেং মক্লোন তরামন্নিদা লোৎতুনা লৈরিবা মালেমগী শকফম্নি। অক্লোইবদা অইবগী অসিগুম্বা শৈরেংগী লাইরিক অসিনা অসিগুম্বা খোঙচৎ অমদি হোৎন্নে হায়বা প্রমাণ তৌরি।

ইম্ফাল

তাং ১৫। ৯। ৮৫ ইং

শ্রী এলাংবম নীলকান্ত সিংহ
এলাংবম লৈকাই

কংথোকচবা

ইমাদা

'Pookningi Waa' is an anthology of Manipuri poems written by Nanda Heikrujamba of Keishamthong Hodam Leirak, Imphal—Manipur-795001

কোঙজ্রবী	:	শ্রীমতী হৈক্রুজম ওংবী সুমতি দেবী কৈশামথোং হোদাম লৈরক, ইম্ফাল
কোঙবা চহী	:	ইং কুম ১৯৮৫
কোপী মশীং	:	চাতরুক
ইথিবা মতম	:	ইং কুম ১৯৮৩-৮৫
মথুম য়েকপা	:	শ্রীঅরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মা
ব্লোক শাবা	:	শ্রীইবোহল সিংহ
নম্ফম	:	মনোরমা প্রিন্টিং প্রেস উরিপোক থাই ব্রহ্মপুর
ফংফম	:	মনিপুরী সাহিত্য পরিষদকী দুকান পাউনা রোড, ইম্ফাল
মমল	:	লুপা ৫



অঙ্ক অমা

পৃথ্বীসে অঙ্ক হোংলিবনি
ফল অমগী ঙাইরিবনি।

তিনশিন্দুনা কয়াস্থু য়েংলিবনি
থাইদোক্কুনা কয়াস্থু খোংলিবনি।

পৃথ্বীসে অঙ্ক হোংলিবনি
কল অমগী ঙাওরিবনি।

পুরিহুনা কয়াস্থু য়েংলিবনি
য়েমহুনা কয়াস্থু খোংলিবনি।

পৃথ্বীসে অঙ্ক হোংলিবনি
কল তাদহুনা য়ারিবনি। □

পুলিগী অর্থ

হে মপু !
ওল্লোইদবা রাখল অমনা
ঐবু ঙাওহল্লে
অঙাওবনি হায়রগা
ইকাইবা করিমন্ত পোক্ললক্করে।
খয়োয়সে ফুল্লে চীংগুম্বা রাহৈনা
ফোংদোকপদি রারে
খাংবা ওল্লক্করে।
মীং উইশিন্দুনা অচিকপদা
অকোম্বা য়েংহুনা
অমম্বা মরক্কগী
শংকে নিংলেনে রাহৈ অমতং।
হন্না হন্না হোৎনহুনা
খুৎনা লাম্না পায়হুনা
চিংলক্লে মরুদি য়াউদনা।
অতৎপা নৈনাগুম
মচেং মচেং শিক্কুনা
কুপ্না মল্লহুনা
কৎলক্লে মঙোন্দা পূক্লিংনা।

পূক্লিংগী ৱা/৭

খুইগদরা থন্দুনা মতুস্থু
মচৃগী লৈনাশিংদো
তেকখংহনগে নিংহনা
পিরাংনা লিক্লাগুম নপংহল্লে।
ঐগীনি হায়বা দবা
পুন্সিগী অর্থ শেংলবদা।
মায়কৈ খঙদ হৃরক্লে
ইখুং লোম্না নোঙরে।—

তাউথৎপরা থওদে

লাউহৌই নুপাহুনা
ওসিদগীদি—
'নখোয় নুংঙাইরো
নখোয় হরাউরো'
হায়দুনা।
য়েক্নবা লৈত্রবগুম
মরুপকুম খন্দুনা
থম্মোয় খুদিংবু
মীপূম খুদিংগী।
তারগা রাংদো
নোকপস্থ য়াউখি
কপ্পস্থ উখি
অর্থ খেন্নবনা।
'অরানবদি তৌদে
ওইদবদি ঙাংদে'
খওই মীওইদো—
তাকই মীৎনহানা।
চৈফম উত্রবা
শোক্লবা মীৎস্নাস্থ

পুক্নিংগী ৱা/৫

মরক মরক্তা
থুমহৌই পিরাংনা।
চৈনদ ফুরগা
কপ্প্রেনে মীওইবা
নোংমৈনদ পাল্লগা
শোক্তেনে থম্মোয়সে।
পৃথ্বী পুম্ববু
ভশেংনা নুংশিবগী
কল্লবা ঙৈরৈদা
ৱাখলনা উংলুরবা!
ঙৈহনফাউ য়েদনা
থরায়না কোঙ্গোলগুম
তাউখৎপরা খঙদে।□

পুক্নিংগী ৱা'৬

করিগী

খুষ্টনা পোক্লিঙৈ
চহি ৪৭০ গী মমাঙদা
মালেম্না শিন্নখি নুপা অমা
ৱাখল লৌশিংদা চখোনবা
য়েংনবদা মপা লৈখিদবা।
মশকস্নু থিরবা
নাতোনস্নু নল্লবা
অঙাওবগুম মকোইস্নু চোমখিবা।
শেংনত্তদি তাকপীনু
মমিংত্তদি হংবিনু
তাক্লোইকো থৱায়না লৈরিমখে।
য়াদবা থোক্তুনা
শগনসে পুল্লবা
ফুদুনা হংলবা—
"পৃথ্বীদা পোকপনি
মালেমগী মচানি
মমিংনা তাইবঙ কৌবনি"
অসিত খুমগনি
অরোইবা মতমফাউ।

পুক্নিংগী ৱা//৭

করিদি কাম্মনি ?
হংবগী তোংজনি ?
ঈথক্লা তোইরবদা
শম্বলনা থল্লবদা।
তাক্লবা নাইদরা ?
হৌজিকস্তু হংদরা ?
করিগী মেংলিবা নুপীগী খোঞ্জেল ?
করিগী হাপ্লিবা উচেক্কা মশা ?
করিগী ঈংলিবা পামেলসে লেপ্লিবা ?
করিগী খল্লিবা পুন্সিসে ৱাঙিবা ?
ঙসিস্তু লোংলি শামুসে উরক্কা।
হৌজিকস্তু ঙাইরি নোংশাসে লমহাংদা।□

পুক্নিংগী বা/৮

হিংনিংবগী ময়াই

অয়োনবা অরৈবা অনীগী কুম্মৈদা
মিতান্নিবা মীংয়েংনা হংলি থম্মোয়দা
"তরক তরক তাদরা হায়না ?"
মীনিলনা চন্দ্রবা লাংলবা মফমদা।

খল্লিংঙৈ পাউখুমগী লাউরক্লি অরাপ্পদগী
পুন্সিগী পম্বুংনা অহৌবা খোঞ্জেলদা
'মুংঙাইরিবরা' 'লৈনিংলিবরা' অসিত হায়চ্না
থোক্লবা হাগুম মুংগী মরক্তা।

খম্বগী খম থেংবদা লোংলবদি
পাউখুম পুম্নমক অসিগুম্বা অরুবা
পীবিয়ু নংগী মরিক অমতং
লৈয়েংদা রাখলদা হকচাংদা অচম্বা।

হায়রিংঙৈ তামথরে পুক্নিংনা অরাপ্পদা
চীংয়া তময়াদা শজিক চারিবা
ইরোইশিংগী মচিদা মরুমদা তোংলিবা
অঙৌবা ইরোকশিংদা হায়রুনবা 'পাইরো'।

পুক্লিংগী ৱা/৯

লৈকানি অঙৌবা কুণ্ডোগী মশানা
মীৎফম লোংবা য়াদে কৱিগীনো ?
পাইখৎলক্লে অতিয়াদা পৱেং শানা
চেপ্পা য়েংতুনা চিথ নাম্থবা।

তাৱমদাই নুমিৎকী মশেক্লে ঙ্রাঙ্রানবা
লৈচিলগী মচুনে পুক্লিং হুবা
লোবুক লঙ্কাংগী মওংনে অঙৌংবা
পুমশুম শুঙ্কাংলে হিংনিংবগী ময়াইনা।□

হায়রমগদবা

লাউবস্থু ঙমদে শোক্লবা
ঙাংবস্থু ঙমদে রানবা
'তুংদা উরক্কনি খঙলক্কনি'
অসিতনি ঐনা হায়রমগদবা।

উবা য়াবা উরক্লে
খঙবা য়াবা খঙলক্লে
'তুংদা উরক্কনি খঙলক্কনি'
অসিতনি ঐনা হায়রমগদবা।

লৌরোইদবা মীদা পীনিংদে
তানিংদবা মীদা তম্নিংদে
'তুংদা উরক্কনি খঙলক্কনি'
অসিতনি ঐনা হায়রমগদবা।

কাবস্থু ঙমদে রাংমল্লি
থুংবস্থু ঙমদে লাপমল্লি
'তুংদা উরক্কনি খঙলক্কনি'
অসিতনি ঐনা হায়রমগদবা।

পৃথ্বীসে লৈপাক মতুম্নি
জীবনা মত্থগী মকুপ্নি
'তুংদা উরক্কনি খঙলক্কনি'
অসিতনি ঐনা হায়রমগদবা।□

নোক্নিবা কাঙবু

হে খুন্নাই নংগী নরক্তুগী
শাংজন্দুনতা চাজবা লাইৱবা নুপাহুনা
শাংনাংগী চাংথক্লুদা ৱানা কারগা
শাংদি থিগে খন্দ্রদুনা মখুক্তুনা
নোকহৌরিনে ফল তারে হায়দুনা পৃথ্বীগী।

হে খুন্নাই নংগী নরক্তুগী
ঈনজিংদুনতা হিংজবা অমোংপী নুপীহুনা
মহা ঙাক্না ফাৱবা নুমিৎদা
মুনা য়েংলদুনা থন্দ্রবা তুঙ্গোলদুদা
নোকহৌরিনে ফল তারে হায়দুনা পৃথ্বীগী।

হে খুন্নাই নংগী নরক্তুগী
নুংত থুগাইদুনা পুন্সি কেমদোরবা
চক্লগী মোম্পাক্তা হিপ্লিবা নুপাহুনা
লোংনা হিপ্লদুনা লূম্লবা ফমুংদুদা
নোকহৌরিনে ফল তারে হায়দুনা পৃথ্বীগী।

হে খুন্নাই নংগী নরক্তুগী
ফিশাদুনতা হিংজবী য়াঙ্গংবী নুপীদুনা
খোঙ খুংকী তাম্বাহু তপথরদুনা
ঙাইহাক্তং য়েংলম্লগা উরক ৱারক্তা
নোকহৌরিনে ফল তারে হায়দুনা পৃথ্বীগী।

পূক্নিংগী ৱা/১২

হে খুম্নাই নংগী নরজ্ঞগী
পৃথ্নীবু পাকই হৌজিকস্থু য়েংলিবা
করিগু খঙদ্রে ঙাংনবা মীগুাংবা
মুপাহ্নুনা লৌবুক্কা শম্পোং খোইরিবা
নোকহৌরিনে ফল তারে হায়ত্নুনা পৃথ্নীগী ।।

অপাইবা লৈচিল

নুংশিবা ধূপবা মৈখুৱা ?
অঙকপা কম্বীদগী খৌংকপা।
নত্ৰগা লশিং মফোল্লা ?
অচৌবা ভুইদ্দিদগী কাপলকপা।
মওল মওল খল্লক্লে
অপাইবা লৈচিলসে উবদা।

উলগী চৌংজাউৱা ৱাংলবা ?
ডপাল ৱাপাল্লা লিৱবা ?
লোক লৌখোংলা ঙম্লবা ?
তম্পাক্লা মহে মৱোংগী ?
পাৎ পুখ্রিগা মশাগী ?
ঘুম ইখ্বোল্লা চখ্বোনবা—

শাংলবা তুৱেলস্থু চেনগুমই
মথঙা হিৱেনস্থু হোনগুমই
তোবানস্থু শেঙ্গাস্থু উগুমই ;
মখল মখা য়াম্লবা
ঙাগী শঙ্গু কাওবুনা
মথং মনাও চেনগুমই।

পুন্সিংগী য়া/১৪

শামু শগোল ঙটকুম্বা
কংফালগী জীব কয়ানা
য়াংনা কাহ্নুনা লেপকুমই ;
মশা পানবা উচেকশিং
মরি মরি পাইগুমই
অনৌবা অতিয়া উগুমহ ।

থম্মোয় লকা নুংসিদা
মতম কুইনা য়েক্লম্বা
লৈখিদ্রবা অহল-লমনশিং
থংনা থংনা উরকই
মুনা য়েংগুম নিংলকই ।

নত্রগা শকয়েং মিংশেল্লা ?
খন্দুনা মথক্ত লৈবরা ?
মতুদা মমিদো তাবরা ?
লেপ্লিবা মালেম অসিগী ?

মওল মওল খল্লকই
অপাইবা লৈচিলসে উবদা ।□

ওমথিদ্রবা

পিক্লা মখোক শাংবনা
মরেং মরেং চত্তুনা
মালংবা লাক্লে তাক্লিবা
লম্বীগী মতাইদা হৌরিবা
ৱাংনা চাউনা শন্দুনা
কোরৌগী মঙালস্থু খল্লিবা
য়েংবগী পেনবা নাইদবা
করম হায়না ফোঙসিবা ?

লেপ্তুবা ঘড়ী লৈচিলনা
চেনশিনবা নুংশিং ঈশিংনা
উদবা মতমগী মওংনা
য়েন্নিং থাগী মতমদা
চেরৈগী মওংস্থু মাল্লপ্না
মীৎয়েংদা কল্লকপা পীরিবা
চিংথোক্লে খনবদা ৱারিবা
করম হায়না ফোঙসিবা ?

তাইবঙ ঝৌবা ঐখোয়স্থু
মান্নবা থম্মোয়গী মচুনা
অঙৈংবা ঈচেলগী মীৎয়েংনা
চাউরবা পাম্বীগী মশাদা

পূক্লিংগী ৱা/১৬

মতম খৱগীদমক্তা !
নখোয়গুম নপ্পনি খন্নবা
থিজবনি লঙ্গী অমতং
কৱম হায়না ফোঙসিবা ?

খোইৱাস্থু অমুক মানগুস্বা
খোইনা নক্লা পাইগুস্না
নওং নতৌ য়েংলগা
তাইবঙস্থু ঐবু কোযৱিবা
অৱাইবা তান্তা অমদা
পামজবা ঈশৈ শক্লবোই
খল্লেনে পূক্লিংনা খৌৱাংবা
কৱম হায়না ফোঙসিবা ? □

অমংবা অয়ুক্তা

উতোন ৱাতোন খিবিকপু
নোম্না হাইনা কেহনবা।
মশা মবেং মখৈবু
থেক্লা খোযনা খাঙহনবা।
মউ মপাল পূন্নবু
তক্ল থেংনা ঙাহনবা।
মপু নঙ্গী উদবা
করি পাওমেলনো খনবদা!
পুক্লিং পেৎনা নৌরক্লে
য়েংগে য়েংনা পেন্দরে।

অমংবা অয়ুক অসিদা
হৈপাল লৈপাল মরক্তা
হৈনম লৈমন্না হাবনে
মতৌ মওংনা নৌবনে
মালংবা মাগী শক্তমদা
হানৌনা মচু ওনবনে
উরে উনা খঙঙমদে
খন্নোয়সে ময়োল চোংলক্লে।
পুক্লিং পেৎনা নৌরক্লে
য়েংগে য়েংনা পেন্দরে।

পুক্নিংগী য়া/১৮

অপাইবা উনা অনীথক
ওন্না থোইনা তামখিদো।
অফোবা অযানবা ফিজোলস্থু
হাইনা হুম্না খাঙখিদো।
অকোম্বা টিন্না মখেস্থু
মরোল মরি থোকখিদো।
অস্থুঃা অস্থুম খনবদা
লৈত্তানা ফঙ্গা ঙমদরে
মওল মওল লেপলক্লে
য়েংগে য়েংনা পেন্দরে।

অনেম্বা নাপি শীংবীনা
লেংদ ঈংনা লৈরম্লে।
অতিয়া মকোয থুংবস্থু
অরোংপা ঙাকনা থম্লম্লে।
কোয়না লৈনা য়েংবদা
খঙদবা ঙাক্তা ঙায়রম্লে।
উরে উদে য়েংনরে
খাম্বা ঐদি ঙমদরে।
নক্ক নাননা পায়নীংলে
য়েংগে য়েংনা পেন্দরে।□

য়াইফ পাওজেল

মালেম কৌবী পলেম্বু
মীৎয়েংনা কোয়না য়েংলগা
থম্মোয়দা মমি তারকপদা
ইমীং অনা উইশিল্লে।

কোরৌ কৌবা পম্বৌবু
লুক্না নোম্না য়েংলগা
থম্মোয়দা মমি তারকপদা
ইমীং অনী উইশিল্লে।

-তাইবঙ পুম্বা নচানি
থরায় খুদিং মান্নবনি
চৎশিংনা য়োকপা মপোক্লি
চিঙ্গাক্লা হিংবা ঙাক্তনি।

পলেম তেংথা তাবদা
পম্বৌ থম্মোয় কায়হুনা
অতিয়া কৌবা মীগুগী
পিরাং ওইনা ভাবনি।

নচাগী রাখন্না ঙাওহুনা
থম্মোয়দা মৈরি কুম্নগা
পলেম নংনা পিরাংবু
নথাদা ঈংনবা লোংপনি।

পূক্নিংগী বা/২০

পম্বো শুগনা হেনবরা?
পলেমগী থম্মোয়না চাউবরা?
খঙদবা তাইবঙ কৌবনা
করম হায়না ফোংগনি?

উতোন ব্রাতোন খিবিক্লা
পম্বো য়েংনা কারগা
পলেম নঙোন্দা নোঞ্জবা
পূক্নিংদো পূক্নিংনা খঙজরে।

মপু মাগী মফমদা
পলেম পম্বো অনীনা
নচাশিংগী ইন্তুং শিন্দুনা
য়াইফ পাওজেল নিবিয়ু।□

পুক্নিংগী মণি

মপোক অমদা—
'ধর্ম্ম লৈবা মীনা
কয়ারক পোকই ?'
মপোক অমদা—
'ধর্ম্ম লৈতবা মীনা
কয়ারক শিনৈ ?'
অসিত নত্তে
মীত্তাংলবা পম্বোগী ৱাহং—
'নহৱা নোংমসে লৈ
লান্দবা মীগী মথমদদি ?'
তাবদা পলেমস্থু থোক্লক্লুনা
হায়মিন্নখি পূন্না—
'মখোয়না পৃথ্বী
ঐনা মহুদা হৌবা
অপোম্বা থম্বাল।'
তারগা মখোয়গী ৱা
শোনখিবগুম তৌখি এনা তুমিন্না—
'মখোয়না খল্লি ওইহনগনি ঐবু
অচোবা লোয়শঙগী ফমদোংবা।'
কয়ারক হোংনখি
খঙনবা ঐঙোন্দা

পুক্নিংগী ৱা/২২

খুম্বা ওমখিত্রবা পাওখুম ওইনা
পুন্নি ঐনা পোৎলুম ওইনা
অঙাং ওইন্নিঙৈগী ৱাহৈ কয়া।
থাফমদো থিরে অচীকপদা নোংমা
ইমীৎ অনী ঊইশিন্দুনা
মুর্ত্তি অনীদো য়েংলগা—
মীগে খল্লে অসি হায়না—
'অচুম্বনা মহৈ য়ানবা
অৱানবনা অশোয়বা।'
মীৎ পাঙথোক্লকপদদি—
মাংখরে থিফম খণ্ডনা মুর্ত্তিদো।
মীরম্লগা শিৱাংনা
পাওখুমগী পাওখুম ওইনা।
তাহৌবা মালংনা পুহনা
নৈরোন চনখরে মহুস্থু—
পুক্নিংগী মণি কয়াগা লোয়নদা
ইহৌত্রবা আশা কয়াগী তুংইন্দুনা।□

ইচলদা

ঐগী নুংশিবী ইচলগী
মায়থোংদি থাজনা তম্মিংঙাইনি
ফিজেৎসু লৈচিলনা কৈদৌনি ?
শম্নাংনা জুম জুম তাবনে
হকচাংনা খৈনা থোংপনে
খোঙথাং খুদিংনা তপ্পনে।
মীৎফম হোংবা য়াদেনে।

পাস্থু ময়েক শেংবনি
পীশুমসু মপুং ফাবনি
মীৎচি মীৎমৈসু লুবনি।
চীনবাগ্না লীরুং মানননে
য়ান কুপ্তোগুম ঙৌবনে
খদাংনা তুমতক তাবনে।
মীৎফম হোংবা য়াদেনে।

তঙাং তঙাংবা খজাইনি
তোংতক তাবা লাইবক্নি
ৱাসি লৈবা নাতোম্নি।
নাপনা মগুণ লৈবনে
খৌৱিনা লিক্লিগুম লূবনে
পাম্বোম্না পুমবুম তাবনে।
মীৎফম হোংবা য়াদেনে।

পুক্নিংগী ৱা'২৪

খোঙস্নু ত্তোনস্নু মান্নবনি
য়েংবগী পেনবা লৈতবনি
শমক্রুনা অমুকস্নু থোগৎপনি।
চেংলবা খ্বাংনা নীংথিবনে
তুংয়াংনা লোইরোই তাবনে
মতৌনা অমুকস্নু ঈংবনে।
মীৎকম হোংবা য়াদেনে।

থকসি খাসি নাইবীনি
ৱাঙাং ৱাতা থুম্বীনি
চাকচা য়ুথক কামদবীনি।
শুবা নোম্বনা কনবনে
মফম মতম্না খঙবনে
মপুগী থোজালনা ঙানবনে।
মীৎকম হোংবা য়াদেনে।□

অঙৈংবা মায়থোং

নুপী অমা থিরি
য়েংলি ঐনা কোয়না
মতম কয়া মাঙনা
ইথৌ কয়া শিংন্না।

নক্তে তাল্লোই ওইনবা
ইমা ওইনা খুরুমগে
ইচল ওইনা নাঞ্জগে
কুম্মৈনি অচম্বা ৱাখলগী।

ফজবা অদুত য়েংগনি
নীংথিবা অদুত খনগনি
অঙকপা মাগী মগুণনি
লৈশেম মাগী পুজানি।

চংলে লাপ্পা উরে
ফজৈ নীংথি তুংদগী
তান্নরে কন্না তান্নরে
খাপ্লে লেপ্লে মমাঙদা।

কুহু কুমেন চংখোল্লি
মশম মনা মৱাক্তে
ৱাসি য়াম্মা লৈবাক্নি
ঙক্লে য়েংলে শুমহংলে।

পূক্লিংগী ৱা/২৮

কল্লকপা অমা পোক্ল্রে
লৈরাং ওইনা শাংকুল্লে
নিংঙোল মায়থোং উবদা
মপুগী গুণনা ঙাওহল্লে।

ৱাহৈ অনী থোরক্লে
থেংনরে শাউবা শাউদবা
ৱাখল অনী ঙাংনরে
তারে থাওগা ঈশিংগা।

লেপহৌরে নূংগুম ঐদি
পাইখরে য়াঙনা মাদি
লাক্লে য়ুমদা য়ৌরক্লে
ঽিপ্লে যমুংদা নীংঙমদা।

মহৌশা নংবু তারোনে
পূক্লিংগী চল্লবা ৱাকংসে
ৱাহল্লি ঐবু নিত্তিগী
অস্থুম্না অচীকপদা তঙনা।

ইচল মানবী নুজাও!
খন্দবনা খঙদবা ৱাখলনি
থম্মোয়সে য়েংবা য়াবনি
মীংনা মিংশেল শকপনি।

পৃক্লিংগী ৱা/২৭

নীংথিবা মায়থোংনা কৈদৌনি
থম্মোয়গী অচম্বা উদ্রবদা
অকনবা পোকপী ওইযুকো।
পুন্সিগী ঐস্থু নীজগে।

ৱাখলগী পোৎলুম পুবদা
পৃক্লিং নংগী খোইশাউবরা?
লৌশিং চাউবী ওইযুকো
নচানা পাম্বোম তিংনবা।

জগৎ শেম্মি নংগীনি
মালেম নংগী শক্তম্নি
নৈবাংস্থু নংগী নওংনি
অঙ্গীংবা মাযথোংদ উংপনি।□

শোয়দনা

অশাউবা উদ্রবা হকচাংগী
অঙ্গৈংবা ফজবা মঙালনা
থেংবদদা পুঙমদে থম্মোয়সে।

অতাংবা নীংথিবা চীনবানগী
শুংশিবা খোঞ্জেলগী ঈপোম্মা
শোকপদদা নিক্রেনে হকচাংসে।

খোংবান চেনবা মীগী
থৌগৎ রাহৈ মতৌগুম
চংখিবরা খঙদে পুক্লিংদা।

নংগুম্না ঙাক্তা ওইরম্লবা
অশুবা ঙাক্তা হিংলম্লবা
ইরম্লোই ঐনা ময়েকসে।

নহাকপু ফংজবা অচম্বা
পলেম পম্থৌ অনীদো
ঈশ্বর নীংবা ওইরমগনি।

থম্মোয় য়েংলে চাউরমগনি
মীৎস্না য়েংলে ঈংলমগনি
শোয়দনা মগুণ নৈরমগনি।□

হায়দোক্কে থল্লমাল্লে

মরুপ্নি ঐদি মীত্তাংবশিংগী
লাইরিক লাইশু হৈজদ্রবা
লৌমী শিন্নী খুদিংগী।

ময়েক্না থল্লবা লামাযদো
পাংত্তিনা কুণ্ডলবা চেনাদো
খেন্নদে মখোয়দা করিমত্তা।

অমোংপনি মখোয়গী নুংশিবা
মীচংনি উপাল ৱাপালনা
নুংঙাই য়াইফ থায়দবা।

হকচাংগী শরুকসে য়েন্নরবদি
খূত্তনা মখোযগী শরুক্নি
খুরুম্নবা শুনবা লাকপনি।

নুংঙাইনা শাখিদে নোংমৈসে
হৱাউনা শেমখিদে বোমসে
হায়দোক্কে ঙসিদি থল্লমাল্লে।☐

শান্নবা মীৎস্নাদা

তাইবঙ কৈথেল'সিদা
কাওননবা অরাবা
ফম্নি চাইথোক্নুনা
লৈবিদ্রবা পোৎ ভাক্নো ইমাগুদা।

চোকথরক্লে য়েংবদা
মীপুম খুদিংদা
লেংদনা মীৎনবাদা
কোয়না লৈনা নীংবদি খুংদনা।

ইখোনস্তু লোন্নবদা
পাম্বোমস্তু হীক্নবদা
খোঙথাংস্তু লূম্নবদা
হৌগৎপা কাওহনা ফম্নি লৈপাক্নো।

চামথোক্নুনা ঈশিংনা
নৈথোক্নুনা ফিজেৎনা
য়েংলি পায়হনা
খুইন্নক্নবা কংলব্নবা পোংশিংদো অমঃমক্ত।

শিংকনিস্তু খঙদ্রবা
শিংলোইস্তু ন্নাদ্রবা
ন্নাখল অমনা
নোক্নীংদনস্তু নোকহল্লি শান্নবা মীৎস্নাদা

পুক্নিংগী ৰা/৩১

তান্নরুবদা

চেনগন্নু পম্নুং লাপখিন্নু
লাক্লো ঐগী ইমাঙদা।
অতিয়াগী ঙমখৈ য়ৌখিদরা ?
পুন্সিনা তান্নবা ফংলোইদরা ?
খনবদা ৰাৰেনে ৰাখলসে
নতৌদা কায়ৰেনে থম্মোয়সে।
ঙকশমদা হুক্কে খন্দুনা
মতম চংনা লেংজবা
পিরাংনা শেম্না পরেংসে
লৈরাং নক্তে পামদবরা ?

চেনগন্নু পম্নুং লাপখিন্নু
লাক্লো ঐগী ইমাঙদা।
পুন্সিগী ঙমখৈনা কৌবনে !
মতম্না লেপ্তুনা চেনবনে !
অনী অসে উবদা
অকম্বা হকচাংসে পাইনৌংলে।
অয়াঙবা মতেংস্থু য়াউদনা
হাংলবা খোঙনদা চেনবদা
ঙাফম থেংফমস্থু খঙদনা
লৈমায়দা শোয়দনা তুরমি।

পুক্লিংগী রা/৩২

চেনগনু পন্থুং লাপখিনু
লাক্লো ঐগী ইমাওদা।
রানা রানা কপ্তুবা
ঙাংনিং ঙাংনিং ঙাংদবা
জীব পানবা খুদিংস্নু
মওং অমা তৌরক্লে।
চাউই হায়বা মালেমসে
মতুম তায় হায়হনা
কমলাগা প্রমাণ তৌবদগী
পিশক পীক্লা উরক্লে।

চেনগনু পন্থুং লাপখিনু
লাক্লো ঐগী ইমাওদা।
ক লবা চীনবানসে উবদা
কুংলবা মীংসে য়েংবদা
নংনা ঐবু কিরবরা?
নুংশিবা মচেৎ পোক্রুবরা?
হাম্নবা পুকসে পায়হনা
চীং তুরেল লাল্লক্লে।
তেংথা তেংথা কৌবদা
অমেঙবা খোঞ্জেলস্নু মাঙলক্লে।

চেনগনু পন্থুং লাপখিনু
লাক্লো ঐগী ইমাওদা।

মীংথিবা নংগী উপালদো
মীৎয়েংনা চুপ্তুনা চেল্লকপা!
অথুম্বা নংগী নাঁইদো
ফংগনি পুক্লিংনা লেপ্লুবা।
থাজবা পুম্বা থমত্থুনা
নীংজবা পুম্বা থাত্থুনা
অৱাববু চেৎনা কোল্লুবা
নোংদোলবু লাম্বা তারদরা?
চেনগনু পন্থুং লাপথিনু
লাক্লো ঐগী ইমাগুদা।□

অরায়বা

লিৱসি ৱাৱী নুংঙাইবত
অনৌবা য়াওলগী ৱারীত।

তোক্লসি হিংচাবা হিংচাবীগী
পাইহল্লন্নুসি শগোলবু উচেক্কুম।

চপ্লরোই কনামত্ত ফিগুম
লেল্লরোই কনামত্ত উগুম।

উৎলরোই মীত্রং যেংলরোই
হিংহল্লরোই মীবু অশিবা।

শান্নৱসি মালেমগী আশাদা
শক্লসি তাইবঙ তানবা।

উৎলসি নৈপাক নৈপাকওইনা
থক্লসি ঈশিং ঈশিংওইনা।

অবায়বনা পানবা মালেম্মি
অচম্বনা ওনবা অচুম্বনি।□

পূক্লিংদা

লমদম'সিগী মীশিংসে
মায়কৈ মায়কৈ নায়না
ফম্লিবরা চংলিবরা লেপ্লিবরা?
হংলি থম্মোয়না অচীকপদা—
করি হায়না খুমগনি
তাক্লো পূক্লিং তারগে।

চিৎথ নাম্থ খোমবস্থ
পাম্লোই নংনা তৌজরোই—
অচুম্বরু অনী শুবরা?
পুজাগী পোংলম্না কৌরোইদরা?
'সিগীস্থ নংনা য়েংকদরা?
তাক্লো পূক্লিং তারগে।

অউংবা মালেম্না ঙাওদরে
মীংয়েং মাগী মরাল্লা?
লেপ্লসি লাওসি খল্লিনে
অচম্বা থম্মোয়না য়ারিনে
ফরগা লোইরে হায়রিনে
তাক্লো পূক্লিং তারগে।□

'পূক্লি'গী ৱা'৩৬

পাওখুম

ইকায়বগু হকচাংনা উংলবদি
হংলগে হায়রো পূক্লিং
ইকায়বা কদায়বু কৌই?

পাওখুমদো ফংলবদি লায়না
খুমলো অমুকস্তু লন্তনা
হোংনদ্রিবা কগিগীনো ইকায়দনবা?

পোক্লবদি শিগনি শোয়দনা
শিবগী ৱাবা য়াওগদরা?
খল্লো পূব্লিং 'সিগীস্তু।

নৈপাক্তা তিনগদবা হকচাংনা
নৈপাক্তি ছকপদা মশাউই
খওদনা চারে মখাম্মি।

পৈশাত পান্নে খোমজিল্লে
খোংহুনা চাবদি ময়াদে
য়োমহুনা পুবস্তু মওমদে।

শক পান্দে খওলবস্তু
ফাদনা ওাংবা য়াবরা?
তংনবা চিংফম থোকপরা?

মুন্না খল্লু পূক্লিংও!
অচীকপা মফমদা লাওদনা
পাওখুম হৈবরা য়েংলগে।□

খলহৌবা

মাওদা চালুক থাহ্না
অহাউবা মথেন তোক্লুনা
মখুৎনা ময়াদা হুক্লিবা
মীহুবু চগৌগুম য়েংলগা
"হংলুই মাপু কৈদৌরি?"
খন্দেদকো ৱাখল নহাকসে।

হিপ্লে ফমুংদা পোত্থারে
মোংমগী মথৌ লোইরগা
শংহুম অমা তারকই
"তুম্লবরা হংখি থোংজিন্দগী?
"তুম্লে হেক্তা মখুমলুই"
খন্দেদকো ৱাখল নহাকসে।

ঙসিদি থন্দনি গাড়ীগী
থঙখি মংশু অয়ুক্তা
ফুঙ্গা ৱাগী শাবদদি
"তক্লুই চংল্লুসি মরুপ্তা
গাড়ী তোংহুমা খুঙ্গংদা"
খন্দেদকো ৱাখল নহাকসে।

ইথাউদা কলম থেংলগা
হংলুই অমকপদা উবরা?
ইমাদা পেন্সিল য়েপ্লগা

পূক্লিংগী ৱা/৩৮

শুক্রুই ফংদরে মাংখরে
'সিবু করি মওংনো ?
খন্দেদকো ৱাখল নহাকসে।

কৈ-দস্থু থল্লগা মতুমই
মপু উরগা মচেল্লি
নুতিগী খরদং খন্নরবদি !
পূক্তা লৈবা পূক্লিংগা
কয়া নীংথিগনি মায়থোংদো !
খন্দেদকো ৱাখল নহাকসে। □

হিংবগী জগোই

পূক্নিংনা মালেমগী খল্লবদি
থম্মোয়স্থু তাইবঙগী নীংগনি
অত্তাবা মথৈদ ইগনি
অউবা মথৈদ থাগনি।

অসিনা অস্থুম ওকচরে
'সিগীবু লোইনা ইঙমবরা?
ঙ্রাখলনা তঞ্জনা হংলরে
ইকোক নোন্না য়াজরে।

অচুম্বা মাগী মগুণবু
ঙাবনা করম শক্কনি?
মীরাওখোল তাদবা মফম্সু
মালেমগী কদায়দা থিগনি?

ইখাদা নেংলিবা লৈপাকসে
মালেম থুংনা মশিল্লি
ইথক্তা উৎলিবা মচুসে
তাইবঙ পূম্বনা ময়েংলি।

ইয়াদা হুক্লিবা চীঞ্জাকসে
জীবনা শেম্বা ঙমদেনে
মচু নায়দবা ঈশিংসে
থরায় খুদিংগী থরায়নি।

পুক্নিংগী ৱা '৪

মফমগী খেন্নবা থমদনা
থম্মোয়গী মান্নবা পোক্তুনা
মীংয়েংগী অঙ্গংবা উত্তুনা
হিংবগী জগোই শাঃসি। □

মমল

পীরৱোই লেপ্লে ঙসিদগী
পোঙনা লৌখিদোবা পৈশা।

পায়রৱোই ৱাশক্লে চেৎনা
কপ্তুনা পীরম্বা পৈশা।

থম্নৱোই নীংলে ঙসিদগী
শাউহনা শিংলকপা পৈশা।

লৌরৱোই খল্লে পুন্সিগী
থাগত্তনা পীরম্বা পৈশা।

চীং ককপগী শেলদো
লূম্মি চীংগী মতৌগুম।

লৈতোন্না তানবা শেলহৃদি
য়াংই লশিং মফোলগুম।

ৱারবা হকচাংগী হুমাংমলবু
করম্না লেপকনি শেলনা?

থাগৎ ৱাহৈ অমগীনা
মমল করম্না পীগনি?

থম্মোয় পানবা ওইরবদি
থম্মোয়গা থম্মোয়গা থেংনরসি।

মহৃগী মমলমুক য়াম্বা
লৈৱৱোই জগৎ অসিদা।□

পোৎলুম

লুমগ্রেদ পোৎলুমসে থক্তা নল্লিবা
য়ামগ্রেদা থৌদাংসে মাঙদা তাল্লিবা।

থাংথবগী লোইবা লৈত্রবা পোৎলুম্নি
পাংথোকপগী খন্না নায়দ্রবা থৌদাংনি।

চাবা মচেৎ তুম্বা মচেৎ
লোইবা লৈতে খন্না নায়দে।

হিংবগী কপ্তুনা শিবগী নোক্‌নুনা
য়াম্বগী হরাউনা লীকপগী ৱাহ্নুনা।

ফম্লৱোই ঐসে চেল্লনি লেপ্তুনা
তপ্লৱোই থৌদাং থুৱনি পুন্সি।

উইনবা পানবা নৎলমদরে ইমীৎসে
য়েংলগা উবা ওইরমদরে মপোকসে।

করম্বা মতমদা পোৎলুমসে য়াংগনি
অসিদং তাকপীয়ু তাইবঙবু লমজিংবা? □

হৈঃ হাঃ হৈঃ হাঃ

নুংশংগী খোঙ্জেম্না
হোৱায়গী খোল্লাউনা
হৌদোক্নি হোংনখি পোংলুমগী ৱাহৈনা
হৈঃ হাঃ হৈঃ হাঃ।

তুম্শিন্নবা কাওবুনি
উইশিন্নবা ঙাক্তুনি
পস্থুংদো চুপ্লগা মফৈদদা চেনবা
হৈঃ হাঃ হৈঃ হাঃ।

থাবদি ৱাংনৈ
মহৈদি মুন্নৈ
ঈশৈ ওইৱবনি মীৎ পাংবশিংগী
হৈঃ হাঃ হৈঃ হাঃ।

তরাগী চৈশুনা
মঙাগী লেংথোংনা
য়েংলক্লি মীৎ কুপ্তুনা মীয়ামদা
হৈঃ হাঃ হৈঃ হাঃ।□

চেৎলবা ৱাশক

ৱাখলনা তাকপা পম্বুংসে
য়েংজৱগা ইতোম্মত অচীকপদা
পূক্নিংনা পেন্না পামজনা
থম্মোয়না জগোঙ্গ শাজবা
মপু নঙদি উরিনি
ঙমগদৱা য়োবা পম্বুংসে ?
তাকপীয়ু তোল্লবা জীবদা।

পুন্সিসে নুংঙাইনা হিংলোইদৌরি
থৱায়না থাজবা পীৱরে
লাংলবা মতমদা থাবিবনা !
কপ্লোই হায়না মকপ্না
ৱারোই খন্না মৱানা
য়োবা ঙমগদৱা চেঞ্জরি
ইদোম চীক্লা খাঙজরি।

কোয়না লেপ্তুনা য়েংলিবা
জীবগী পল্লোন কয়ানা
অউবা তাইবঙ মখৈনা
কম্নিদ হায়না থেম্বিবা
ঙাইহাকম্তু নোকসি মহায়বা
থম্মোয়না য়াবদ ঙমদরে
থৱায়না পাম্বদো থোক্করে।

চেনখিনি লেপ্লোই চেনখিনি
হুকচাংদা থৱায়না নৈরিমথৈ—
ঙমদবা মত্তাং থোক্লবস্নু
লাউৱোই হৌনা নোক্লৱো!
উবিন্নু উবা ঙম্বা
তাবিন্নু মপূ নহাক্তদি
থৱায়গী চেৎলবা ৱাশকসে।□

পূক্নিংগী ৱা'৪৬

পূক্নিংগী মৈচাক

মচেৎ তানা শেগায়ৱবা
অঙৌবা চেনা মখৈসে
মৈৱিনা কেম্না চারুবস্সু
উফুল মৱিক ওল্লবস্সু
জগৎনা মাঙদে হায়নৈনে

তাইবঙদা মুৎপা করিনো ?
জগৎনা কাউবা কনানো ?
মালেমদা থৱায়না ঙানবগুম
অতিয়াদা থৱান্না মকুপ্লি।

পূন্সিগী পান্দম করিনো ?
হিংবগী থাজবা কদায়নো ?
থাজগী মশেক্তা পামজরে
পামেলগুম কথোক্কে লেপচরে
চীংদোন্দা লেপ্লগা লাউনীংলে।

লোম্হোকপা উচেক ওনঙম্নবা
তোংলোই উশাদা নোংমফাউ
চীংদোন্দা লেপ্তুনা য়েংলুনি
ৱাংনা ৱাংনা পাইকুনি
তাইবঙ তানবা শক্লুনি।

ইনাক্তা য়োম্লিবা নামিবা
নঙনা তাইবঙ শিল্লবদি
থম্মোয় খুদিং চংতুনা
পূক্লিংদা ময়ি পীরম্লগা
ৱাখল ওইনা থোক্লুৱোনে।

অরাপ্পা অনকপা মালেম'সিগী
চীক্লবা মফম কয়াদা
অচম্বা থম্মোয়দো থেংনরবা
চিল্লবা খূজেংদো পায়শিল্লু
মায়থোংদো ঈংনা য়েংশিল্লু।

কপ্পা কোম্না থেম্লগা
চীক্লবা নৈকোল অমদা
থম্মোয় অমসু তেংথাহৌই
মীৎলু নাউপোম থুমহৌই
তস্বিয়ু অসিসু কাউদনা।

চুপশিন্দবা থোক্লবা পিরাংসে
পুখিদবা তারবা অশাবনা
মালেমগী নৈমায়দা তারিবা
মীৎলুগী লেপ্পুবা ঈরাসে
খঙগনিকো পূক্লিংগী মৈচাকসে।□

শোন্থরক্লবদা

তেক তেক চংলিবা ঘড়ী
থোক্নি করম্থা মতমদা নহাকপু
তাইবঙগী ইরোল অচুম্বা ৱাঙাং।

য়াল্লবদি নঙনা য়ুমথোং খুদিংদা
লাউবা ঙমদরা অরাংববু নমহত্তুনা
চৈবা হৈতন্না অতনববু উরগা?

ফুগদরা য়েংই উবদা মায়থোং
শেন্নরিবরা নীংই চংলমদাই খুদিং
শাউগদরা থেম্মি চংলমদাই মতম।

ঙাংগদরা ঙাইরি তাবদা নখোন
চংখিদরা শেন্নৈ পান্দুনা নখোঙ
পাইখিদরা ৱাক্তৈ হাপ্তুনা নশা।

করিবু খন্দুনা ঙাংদনা লুংঙাইরি?
কনাবু উদুনা উংলি তুমিন্না?
করম্বা মতমদা তাবিগনি য়াৱাসে?□

হিংবগী মতম

"ছুম্বগী মতমস্তু তিনশিন্দ্রবদি
চাবগী মতমস্তু খাইদোক্লবদি
হিংবগী মতমদো কদায়নো ?

কোয়বগী মতমস্তু কায়থোক্লবদি
ঙাংবগী মতমস্তু লৌথোক্লবদি
হিংবগী মতমদো কদায়নো ?

চৎপগী মতমস্তু য়েংবিদ্রবদি
শেৎপগী মতমস্তু খমবিদ্রবদি
হিংবগী মতমদো কদায়নো ?

য়েংবগী মতমস্তু য়াওহন্দ্রবদি
খমবগী মতমস্তু খম্বিদ্রবদি
হিংবগী মতমদো কদায়নো ?

তাবগী মতমস্তু পীবিদ্রবদি
ঙাইবগী মতমশু লৈংদ্রবদি
হিংবগী মতমদো কদায়নো ?"

য়াখলমা য়াকংলি মুত্তিগী
খলমা তাক্লনি অয়োইবদা
হিংবগী মতমদো কদায়নো ? □

পুক্লিংশী রা/৫০

পেলহনবা

"মায়খোংত পাম্বা মিংশেল
অঙকপনি নঙগী থৌদাং"
লাউরগে 'সিতদি তত্তনা
নঙগী নাপদা হৌনা।

"থাক্তুরা পুন্সিসে থবক্লা
পায়দরা চীঙাকসে খুবাংনাঁ"
অসিবু খঙবরা মশানা ?
হংলো তানীংলে থম্মোয়না ?

"মথৌনি মাগী ভাংবত
হৈনবীনি মাগী পেন্দবা
লৌনম্নি মাগী মীনোক"
অসিবু নঙনা কাউখরা ?

য়েংউ মুম্না খল্লুনা—
"অমোৎ অকাই মরক্লা—
পুদয়া কোকখোংসে খোত্তনা ?"
মঙমা লুনা কোন্দবা।

লুক্লা মানা য়েংলবা
ডাগনি অত্তবা অঈক্লা
শাউগে অশোক্কী হৈতেক
মুক্লিংদি আত্তনা পেলহনবা।□

মায়কৈ পুম্বা

শেঙেংগী পুখমদো লংলম্মি
অকনবা লৈমায়দা তারম্মি
মচেৎনা পান্দোগুম নীংলম্মি
অহুবু কোম্নদি খল্লম্মি
মাস্তু ঐগুম উরম্মি
ইন্তোনবা ইপুক ফারম্মি।

চৌকিদো ঐনা য়েংলম্মি
মমীৎ মথুং হংলম্মি
ঐবু তঙ্গনা কৌরম্মি
লাউনু লেপ্তনা থেমলম্মি
ফম্লো তোয়না হায়রম্মি
মাস্তু ঐগী ৱারম্মি।

অৱাংবা পাম্বীদো লৈরম্মি
মচুদো মায়থোংগুম উরম্মি
ঐনা মীৎস্নাদা য়েংলম্মি
থম্মোয় য়ৌনা শোকলম্মি
লৈনা জগোঙ্গী শারম্মি
ঐগী পেঙবা ফংলম্মি।

পুক্লিংগী বা/৫ঃ

ঘুমদা চংলগে তৌরম্মি
থোংজাউদো কোম্থোংনি থল্লম্মি
মন্নুংদো লম্বীনা থল্লম্মি
মথক্কা অতিয়া মালম্মি
থাজ থবান থোক্লম্মি
মরুমদা ঐনা হিপলম্মি।

খোম্লেন মংলান মংলম্মি
থবায় কৌবদো লাকলম্মি
ঐঙোন্দা মানা তাকলম্মি
পুম্নমক ঐগুম্বনি উংলম্মি
ঐনা ঙক্কুনা য়েংলম্মি
মায়কৈ পুম্বা ঙাল্লম্মি।□

অমত্ত ওইবা

অনেম্বদা পানবা
হৈনৌ অমদি
ওম্মি ঐস্থু
হেকপা লামহ্না—
ওয়োই হেকপা মালেমগীদি।

লমহেনবা ওমু
খরুংদা চোংলিবা
ওম্মি ঐস্থু
ফাবা লায়না—
ওয়োই ফাবা মালেমগীদি।

ইমুমদা চংলবা
য়াঙ্গংবা হুন্নানবা
ওম্মি ঐস্থু—
পুনশিনবা থৌরানা—
ওয়োই পুনবা মালেমগীদি।

লোংউপকী মনুংদা
লোত্তুনস্থু চীক্লা
ওম্মি ঐস্থু
খঙবা পৃথীগী—
অমত্ত ওইবা মালেমগী।□

পুক্নিংগী ৱা/৫৪

হন্দক মপোক্কী

অকনবা অরাম অমম্বা
কোমহল্লবা য়ামাঙগী য়াদো
শংহল্লুরে নোংমা ভাক্তরদা।

অহোবা অহুবু উমগা
হায়রকখি লম্বীগী লৈরাংনা
সনা তোপ্লো হায়রুনা।

ভাবদা মখোয়গী য়া
হায়রম্মি ঐনা অন্নুম্না
মেল্লম্মি ভপ্পা মাপদা।

"ফোংনীংলবা চীনবাম্মি মেন্তুম্না
মেন্নীংলবা থনাওনি ফিবুম্না
চাবা ঙাংবদা নোয়রবা।"

ঈশ্বরনা মহু উহুনা
নোক্লবা ঙাঙনবা তোক্লবা
লৌবিথরবনি হন্দক মপোক্কী। □

[illegible]

লীপুন অমা

পূক্নুংগী হকচাংগী অৱবা
নৈরগী থাথলগী চৈথোংবা
লুপথরো তুমা চবাদা
মাঙখিদরা য়েংসি নোক্লীংবা।

চিংনবা পুম্বা অমনেত্নবা
অশাঙবা মৈরিঙ্ মুখত্নবা
চংলো নৈকোন্দুদা নীংথিবা
ভাদরা য়েংসি কজবা।

চীংরা তময়াদ্ চথোকবা
মচু মথেনস্থ গুমহৎপা
পোথাকম ভইবা অচীকপা
কংদরা য়েংসি অপোনবা।

অপাম্বা চৈশিং কভুনা
অশেংবা অচম্বা ফংহুনা
মীৎম্বাদো ময়েক লানবা
থোক্তরা য়েংসি অচম্বা।

কোরোগী মঙালস্থ শাদবা
অরুবা ঈশিংস্থঃ.রাওবা
থকসি থাসি নায়রবা
লীপুন্নচু য়েংসি কীদরা ? □

শেংলবা ময়েক

চীং ভুরেল লাপ্লিবা
পুন্সিদো ঐদি খনগনি
মপুং ফাত্রি শোনগনি ।

নৈতেম মাম্নবা লমদমদা
উক্লম বাক্লমদা নেংলিবা
পুন্সিদো কয়ম্না কল্লক্লি ?

ভুরেলন্থ থোংনা খনবিবা
চীংন্থ:হত্তুনা তেনশিনবা
মপোকো অকেম পাংকিনি ।

পাম্বোম ফৈগম নোম্নগা
চীংন্থ লোকন্থ লাল্লিবা
মহুতনা ময়েক শেংবনি ।☐

পুক্নিংগী রা

অয়েকপা পুন্সা মচুনি
মচুদো পাক্লা তৈবনি
হৈনা শিংনা মুকপনি।

ময়েক পুন্সা শক্তম্নি
তুরিনা হুংলগা থোকপনি
থম্না য়েংনা খোংপনি।

উরিবা পুন্সা চংলিবনি
তারিগা অহুনা লাক্লিবনি
মালংদা লোইনা ফাওরিবনি

অনস্বা পুন্সা মমিনি
মঙালনা শান্নবা ঙাক্তম্নি
অথংপা অহুদা তাবনি।

মঙালগী লস্নী উদবনি
য়েকপনা মপুং ফাদবনি
তাইবঙনা লোইনা খঙনবনি।

মাক্তা ফম্লবা উংনবনি
তথায় অমা য়েংনবনি
কনানো খন্দবা ফংদবনি।

পুক্নিংগী ৱা/৫৮

ঙাংলিবা পুন্বা থোক্লিবনি
অতাবা মথৈনা লেংক্লিবনি
ৱাখলনা শাম্নবা ঙাকনি।

উংলিবা ময়ামসে অয়ায়বনি
লোংলিবা কয়াসে অরূবনি
মাম্নদে শাউত্থুনা লাউরম্বনি।

শেংনা তাকপা য়াদবনি
মচেক্না য়ৈত্থুনা ঙাংনবনি
অসিগীদমক কপ্পবনি।

কনাম্ভু খঙদবা লৈতবনি
খন্না উনা থোক্লিবনি
অসিগীদমক ঙাওনবনি।□

পোকথায়রনি হায়না

চীং য়াম্না কোক্লুবগী
পাং য়াম্না শিংলুবগী
অরূবা ঈপাক্তা থাক্লুবগী
ঐনা লাউখি ঐখোয়সে
অকনবা জীবনি হায়না।

মী ঙাক্তা ঙায়রকপগী
শা পুম্বা শিরকপগী
উচেক ময়াম তাক্লকপগী
ঐনা লাউখি ঐখোয়সে
যুগসিগী অথৌবনি হায়না।

অৱাংবা মফম কুংলকপগী
অকুংপা মফম থোল্লকপগী
অঙৈং অশা ওল্লকপগী
ঐনা লাউখি ঐখোয়সে
লিংজেল মাম্নরবনি হায়না।

দলান ঙাক্তা ঙায়রকপগী
সহর ঙাক্তা ওল্লকপগী
শুদবা লোইনা পামলকপগী
ঐনা লাউখি ঐখোয়সে
লল্লোনবা হৈরবনি হায়না।

মপংগা মপঙ্গা লৈরিংশিনবগী
মহিগা মহিগা য়ামশিনবগী
মনিলগা মনিলগা তিরশিনবগী
ঐনা লাউখি এখোয়সে
অনৌবা উলথক্কনি হায়না।

খুংলাই য়াম্না শারকপগী
বোম [illegible] লৈকপগী
মিশিনা মাশিংদগা হৈরকপগী
ঐনা লাউখি এখোয়সে
খুংশা কৈরবনি হায়না।

'ফসি' হ য়বা রাহৈ'সিতগী
ময়েক [illegible] ইরকপগী
চীংমুক রাংনা পৈরকপগী
ঐনা লাউখি এখোয়সে
শিংথ্রবা জাবনি হায়না।

শাশিংনা নৌকলক্তে মসিগী
ঙাশিংনা ঙাংলক্তে মসিগী
উশিংনা শাউরক্তে মসিগী
মাতনা নাক্লি মসিগী
পৃথীসে পোকথায়রবনি হায়না।□

[illegible]

অটৈপেবা মীৎয়েং

হৌরক্লবদি অঈংবা পুক্নিংগী ঈছলদো
কমল লৈতেংলেনদে খোয়ায়গী ইতোর্ববান্দা
থাওবা ওকলচৈ অকায়বা ...কই
মতম খরগী ওইবা হকচাংদা।

হৈবা হৈতবা তাবা তাদবা
মরী লৈনদে খাম্বা খাম্দবা
খোঙকম চেংখকে তুপে তৌরকই
মতম খরগী ওইবা হকচাংদা।

অশাউবা মাংথি ... নল্লকই
চেবাংদা চৈঙাক পীরকই ... লম্না
চেবাংগী চেবাংতা উরকই অহাংবা
মতম খরগী ওইবা হকচাংদা।

কংলবা অশাদো চাকলকপা মতমদা
অঙৌবা নোংঙুবা থালনবা ওয়াবদা
বাহলি অমুকন্থ ঈপোমগী লৈইনা
মতম খরগী ওইবা হকচাংদা।

হিরাগী কাদা মশিংগী মঙাঙ্গা
লোক্লা থাওলিবা এটোম বোমগী
অটৈপেবা মীৎয়েংনা অমুকন্থু লংনবা
মতম খরগী ওইবা হকচাংদা। □

মীকুপ খুদিং

পুক্লিং নওনা অঈংবা
করিগী থৌদাদে ৱাখলদা
নক্লা উনা থৎলিবা
অৱাংবা চীংসে তেম্নবা।

পুক্লিং নওনা শাউদবা
করিগী থৌদাদে ৱাখলদা
চাক্লিবা মৈরিসে মুৎনবা
অশেংবা ঈশিংদা হৈহুনা।

পুক্লিং নওনা অকবা
করিগী থৌদাদে ৱাখলদা
ফজবা লৈরাংতা থামবা
নীংথিবা শীঙেলতা শাৎনবা।

পুক্লিং নওনা অচম্বা
করিগী থৌদাদে ৱাখলদা
মকুদো চংখোম্না হুম্নবা
পাম্বীদো ফজনা শোম্নবা।

পুক্লিং নওনা মুংশিবা
করিগী থৌদাদে ৱাখলদা
মীকুপ খুদিং য়েংনবা
মহৈদো চুম্না পাম্নবা। □

পীখোক্লবা

অরেম্মা মায়বা মখোয়গী ৱাহৈনি
লোইবা লৈজবদা ঐগী ময়েক্নি।

ঈচাওগী ঈকুপ্পো থেংনরবা করিগুম্বা
মেনবা ওমদেসে চাউরবা হকচাংনা।

হুজেল্লম্বা করাম্ব ৱাথলনা তাকলমদা
থল্লা থল্লা থূল্লক্লে পুক্নিংনা।

অঈংবা পুন্সিদগী থোকলকপা মৈরিনা
চংথিবা তৌদনা চাকলক্লে লেপ্পুনা।

পুন্সিনবা ওমস্রবা মপোক্কী অরাবা
উবদা ওসিদি চোংথোক্লে লেপ্লে।

তোঙাম্না লেপ্পুনা অরিকপা মায়কৈদগী
লাউগে থল্লেনে অরোইবা খোজেলদা—

“থক্নীংদে নখোয়গী অজৈবা ঈশিং
মিহৌদে থম্মোয়না মৈগুম্বা চীঙাক।

নীংথিবদি উই অশেংবদি লোংলি
কজবস্ত মউংলি অচুম্বদি পীখোক্লে।” □

থম্মোয়গী অম্মোৎপা

তাকপীয়ু ইমা তাইবঙপালগী ৱাঙাং
মহুতনা চামজগে থম্মোয়গী অমোৎপা।

মুমিং থা অনীদা নঙুৱা
জগত্তা হোংদবা করিনো হংলগা।

মৈ ঈশিং লৈপাক অতিয়া
মরীতনা শাবরা মীওইবগী হকচাং?

মৈরা পায়রুনা মালেম থুংনা
অকনবদো থিরুই খোকলক্লে কনামত্তা।

ঐগীনা করিনো মীগীনা কদায়নো
য়াওরম্লোই চুম্বরা চংলমদাই মতমদা?

মালেম অমত্তনি ঈশ্বর অমত্তনি
অসিফাও চীনবান্না হায়জবা থোক্কুরি।

তাকপীয়ু ইমা তাইবঙপালগী ৱাঙাং
মহুতনা চামজগে থম্মোয়গী অমোৎপা।□

পুক্লিংগী

মীৎয়েংদা

খমথেংবা মতোম্দনি লৈসিন্না শাংলিবা
মোপ্পবা মর্কমদা লাম্বা ফংদবা।

কয়াদি মরুবা য়েংহন্না লৈরুরুবা
তপ্পা পায়হনা থাদোকপা কাউহনা।

অসিরা চোম্লুশা মাগী পুক্নিংদা
খঙ্খোয়রু নাকহনরা ম্নৈরিদি থোক্কনা।

মনমতা ফংবদা পুক্নিংরু চিংলিবা
মশক্তা উবদা মাঙলরু মাওহনবা।

মাগী মতৌদা ভেলবা পুক্নিং
খল্লক্লে অন্নুম্বা লেপ্পা লৈতনা—

“তাইবংসে থাবগা কপ্পবা হায়হনা
মপোকসে ঔকপিগা কাউবা খন্নুনা।”

খঙনবগে থক্মোয়ন্দু য়েক্লিংগী মীৎয়েংদা
নোংলৈ শোয়নিং চিঙলৈ ওলৈতেংদা।

অহুবু ওসিদি শিংনবা উরগা
কুমজানা ঔংদোলদু খক্লে থামসিরা।

খুং চিংলৌবকুনা লোয়রক্লে পাজলদা
খোমহনা চেন্দুনা ভুরেলগুম অমোৎপা।

থাজৈ মমিংলৌনদনি শাংলানখ্রা হায়বা
থৌরশিনা শীতোক্লে মিয়াম্না মিনদা। □

মীৎনহাবা

পুকচেল বাখল থর্ম
থম্মোয়গী মণ্ডপ খুদিংমক
খণ্ডখিনি য়েংলগা মীৎনহা।

কিবা ইকায়বা অরাবা
থম্মোয়গী মওং পুম্বম্মু
তমখিনি শীরুবা মীঙলা।

উবদি কয়া য়াম্মি
য়েংবদি সুপ্নগী অমত্তনি
পুক্নিংনা পাম্বম্মু অমত্তনি।

মরম অসিনা—"হে মীৎ
নঙগী শীরুবা-মীৎনহাগো
থম্মু ময়ায়দদ্রা অঙোবগী।

লেংহনগে মীংগম্মু য়াঙনা
খণ্ডখিনি নঙগী অশোয়বা
তাখিনি থম্মোয়গী অশোয়বা।

[illegible]ঙোম্মা তাবা মখিদো,
পুক্নিংদা শেংনা শঙবনা
[illegible]বা নঙগী থৌফালমি।

[illegible]

[illegible]লনা থম্বা ওয়বা
[illegible] থকপদা পুক্নিংগী
[illegible] [illegible] হংগদি"।

চেকপল মনুংদা

পুক্নিংগী ঈপোম্মা হুমকই
রাখলগী ঈথক্লা খেংলকই
থম্মোয়গী ঈচেলসে তপলকই

মিংশেলসে কাওহুনা য়েংলকই
ককাংগী ময়িদো উরকই
অকায়বদো করম্বনো গুকলকই।

খোংনাওদো কাওহুনা য়েংলকই
অপাইবা মৈখুদো রাংলকই
নুংশিৎসে উরবোই নোকলকই।

থম্মোয়সে য়েংহনগে নীংলকই
পায়হুনা উৎলগে শিংলকই
ইদোম তুমিন শোল্লকই।

তুংসে তাঙলা খল্লকই
মাঙসে য়ুথক্লা ঙাংলকই
ঙাকয় খেংকয় থিরকই।

চীংদগী উনা হেল্লকই
উদগী খুৎনা রাংলকই
খুত্তগী মীংনা গুমলকই।

ঐখোয়বু হায়রা কাউরকই
রাখলগী চেকপল শাৎরকই
মনুংদা অমুক চংলকই।□

খুদি থিনা

[illegible] অমা [illegible]
[illegible] ঐগী [illegible]
[illegible] অচুম্বী [illegible]
মরৈ কমা য়েংলকই
ৱাখলনা ওমথুনা ইল্লকই
ঐনা লাপ্না থোক্লকই।

লাইরিক পাকম চংলকই
[illegible]ওাংগী [illegible] [illegible]
[illegible]লাংদো [illegible] য়েংলকই
ইমীং ঐগী খুমলকই
ৱাখলনা লাক্কুনা লংলকই
ঐনা লাপ্না তারকই।

কুইস্ন মখম [illegible]
অয়েকপা লাইনা কৌরকই
ঐনা তুংদা [illegible]কই
মীনা কৌয়না য়েংলকই
ৱাখলনা শাউনা কুরকই
ঐনা চৈনাদো খাংলক্কই।

ইহাং [illegible] [illegible]কই
মীয়া[illegible] [illegible] [illegible]
পৈশানা ওাংনা য়েংলকই
[illegible] তুকথনা [illegible]
[illegible] ঐখু [illegible]
খুদি থিনা [illegible]কই।

চেৎলা হিংদোবা

লাইনিংগী ঐখোয় অকোবা য়াওলগী
লিপাকিদি ঐখোয় খুৎলাই পায়দবা।
চীবক্ত য়াই শোকপত্ত য়াই
চৎনদোম্নদি নত্তে মীচেন্দি ওইরোই।
হাকশিল্লা রাকম হোৎলোই শিত্রিফাও
বাকহনখিবা রারেপ তাকহিনি পোলোইফাও।
চখোক্নমগনি কপ্পচাং উপালগুম মীয়ামগী
চেৎলা হিংদোবা নত্তে পুন্সিসে।
লেপদি খোংকম চেৎনা মকম'সিদা
লাউখিদি শেমা কয়াক হন্না
জবা য়েংলি কৌরবা খোজেলনা
চেকখায়হনবা অতিয়া অসী থোক্লা।
দিমগায়দি খুন্নিংমা হাংনসি লেপ্পুনা
মাঙহনবা শঙগনি চমখোক্নদবগী চীং।
কাওক্সিকয়াক চোংশিন চোংশিন্দুনা
কীন্তনি শোয়রোই ফুম্বংনবগী ফল্লাং।
শিদোকসি ঐখোয় শিদৌবা লৈরবা
ককহনসি ইওক চোকথত্রিফাওবা খুজেং।
মেৎহনসি খনাও ইন্থহনসি দলান্দগী
অশেংবা পিদো তাত্রিমথৈ অচুম্বগী।
নত্তে ঐখোয় হিংদোবা য়েংহুনা
'কল্লক খৌদেম' পাংদবা মীগী।
ওইদে পুক্নি পেন্দোবা উহুনা
'উশিংত্তা তিনশিং' তাংত্তোবা মীগী।
পৃথ্বী লৈগে খল্লিবা তাইবঙশা

পুক্লিংগী : রা/৭০

ঈংল্লরোই্ফকচাংদো 'ঈংলরোই ঈশিংনা
থল্লরোই পুক্লো থল্লরোই চাক্লা।
কলম্বু লুংজাউগুম লুম্না 'খংলিবা
চেথু লশিংগুম ক্লাংনা 'উত্রিবা
কাউগনু নগুস্তু য়োংকী শো !
কায়রুম্নি মোংমদি অকংবা লৈত্তোয়গুম।
অয়ানবশীদমক শাউম্নিবা 'অয়ম্বা কাণ্ডবু'
'ইকায়বা কডিম্নো' খুত্রিমখৈ রাখলনা
হাংকে লাউগনু খাংনক্লা লেন্দুনা
মেংকে নীংগনু খুজেংদা খনাওগুম
থাগে খনগনু খুত্তুম্না নুংখংগুম
য়ামগে ত্তোগনু থুংচেপ্লা থাংগুম।
লাউখিসি ঐখোয় অসিত্তা হায়হনা
অরৈবা খোজেলদা অশিবা পোক্তনা।
লোংলোইসি ঐখোয় 'অহাংবা মালেম্নি
চেল্লোইসি অমত্তা পাণ্ডবা শাহনা
চেল্লগা হিংদোবা নত্তে পুন্সিসে।☐

উপালনা ঙাংহৌরা

সহরদগী লাপ্না লাক্লগা
খুজংগী লম্বীদা
তপ্না তপ্না চংলিবৈঙদা
নাকন নাকন্দা হৌবা
খোংনাং
হৈনৌ
থৈবোং
নাসিক
লৈহাও
কবুলিয়া—
পাম্বী কয়ামা
তারে—
মুরুম মুরুম ঙাংনবা
নীংথম থাগী অযুক্নি
পাক্লবা লৌবুকশিংদা
লৌগী জগোই তোকখরে।
পাংকী ঈশৈ তাক্রিবৈঙ
পম্বৌ শক্লবা কোয়ৌগী
মশেক্তা খুম্নবা লাওলিবা
লৈচিলগী লাম্নিনে ঙক্লিবা!
ফুদিংকী লৈচিল
চরুগী মৈথু—
কৌব্নিনে মখোয়স্থু।
লাপ্তুক লাপ্তুক লেপ্তুনা
য়াহৈগী

পুক্নিংগী ফম/৭২

মৈগী

মুন্নীশিংনা পুরক্লি
সহরগী ঈ-পাউন
তারগা তক্লি খুন্নবী.
উ-রাশিংনা
চংকে হায়রি সন্ননা.
ওন্নবনি ঙংলি চোক।
শোল্লি মথোয়সু
তুমিন তুমিন
“চীংদনা ইকোক কোক্লগা
তমদনা ইমং মংবা।”
হৌরাউবা উরগা নুং-লৈশোংসিনা
শিংলবো লম্মন হায়রুনা।
কপ্লে কোল্লবা চীংসে
তেংথারি লৈতিলগুম যেংলুনা।
“তাদবোই খরগুম তাইকণনা
উদবোই লীংলগুম নংগী খুংলাই
কপ্পবোই লোগগুম ঐখোয়গুম।
নরোন হৈত্তে মীরায়নু।”
অসিনি উপাললনা ফাংহৌরবা
লম্বীগী মতায়দা লেপ্লুরগা।□

পুক্নিংগী য়া/৭৩.

পংতি অমা

পংতি অমা চিংলসি
মীচং অমী খোল্লসি
য়াম্বা য়াম্নবা থিন্নুসি
শীকপা চাউবা য়েংন্নুসি।
অশেংবা শেংদবা য়েংলগা
অফবা ফত্তবা খঙলগা।

পংতি অমা চিংলসি
মীচং অমী খোল্লসি।
চীন্না চ্ৎলগা চিংথুসি
মায়দা য়েংলগা খন্নুসি।
মথৌনা মশক তাক্লনি
মতম্না সাক্কি ওইরনি।

পংতি অমা চিংলসি
মীচং অমী খোল্লসি।
খুংলাই পায়বা খন্দোক্লো
শেন্দোং পাম্বা ইন্থোক্লো।
নিশা পাম্বা ইশিল্লোই
মশাবু খুঙদবা কৌরক্লোই।

পংতি অমা চিংলসি
মীচং অমী খোল্লসি।
পুক্নিংগী লান্দবা লাক্করা?
মপোক্কী হুদবা হিংদরা?
ওইজবা থাদোকপা য়াওদরা?
হায়জগে খনবা চত্তরা? □

মপুং কাববা

মোংমগী রাঙীবু ইতৈন তৈরা
মীকুপ্ থরদদা লাঙিবা
কৈদৌউদৈদন্সু লাৰিদবা নোংমা চত্তনা
লাইবক থীবনি মীওইবা।

থন্নুই অসিনবা পুন্সিন্সু য়েংনন্নিবা
পাক্লবা ঈপাকী ঈয়াইদা
তান্নদবা মতম থঙদনা তাউরিবা
কোঙোলগুম ঈশিংগী ঈশিংদা।

লেংলম্নি মোন্নলি থেংবদা মালংনা
শারম্নি অগোজা নৈমা
অজংবা শুমহৎপা কনাগী তাম্বাদা
খোইরুম মোমোন মীনোঙ্কা।

হৌরক্পা থৌরুবা পামেলন্সু নাক্তা
তারমগদি য়েংশিন্নু মুন্না
মমি অনী মচুগী কজবা
মনা পুংলবা ভনৌবা।

অহবু কৌঙোল য়েংলুসু হৈরাংতা
মতম পুম্নদা মথক্তা
লংথবা হোংনদনা থম্মোয়বু ততুনা
হায়জা নৌজদনা মাঙোন্দা। □

অউবা ঈশ্বর

ঐনি বাংসি ঙাওলুবা
মীসে লাইনি
অউবা
হায়জবতং য়াদবা
হায়হনগদবা।

নংলমদ্রবদি
ইরন্নি করিগী
থাজরি করম্বা
থম্মোয়বু
মন্দিরন্নি হায়না!

খুন্নোনে নঙস্থ পুক্নিং
করম্বা মরমগী
খুরুম্নরিবা
মীনা মীবু উরগা
লাইশঙদা লেপ্পগুম্বা?□

নারাগুম লৌচুনা

পোখাহনবিরো চুমহনবিরো ঐবু
নারাগুম লৌচুনা
মওগী নাওগুম ঈশৈনা।
খুংহনগে থরুক্লে
পলেমগী অনীংবা
পস্থোগী অপাম্বা।
অপাইবা লৈচিলনা
চীংয়া তময়ানা
লোক্লবগুম থরুক্লে।
কৌবিরো রাখলম্বু
চুমলমদাইগী অশেংবা
অচম্বা অঈংবা।
জগোইনি খন্দবে
মামিবা মুংশিংনা
পূবকপা ঈশোম
রাপলগী মনিল।
পোখাহনবিরো চুমহনবিরো ঐবু
নারাগুম লৌচুনা
মওগী নাওগুম ঈশৈনা।□

শান্তিনা

লাক্লোনে কৌরি শান্তিনা
খুংলাম তোয়না খঙ্গোয়রবু
মাগী মুংঙাইরা রৈশপুক্তা।

থেঙ্গি মুতিংগী পুক্লিংদা
পীরো তক্লি কপ্পুনা
পুবিক্লি হায়রবি খুংগল্লা।

অঙম্বা অতুতা শুগনি
মুংগুক মুংজা উরগোই
হিংবগী মঙ্গুল খঙলনি।

রায় হায়না হায়রগোই
তলে তোকে ঙাঙলগোই
মতম্না মীয়াম্বু শেমনি।

অপুনবগী মশক খঙলনি
মুংঙাইবগী ওমথে লৈরগোই
ফজবগী মপান নায়নগোই।

ঐগী মীগী নায়নগোই
লমচৎ ফবা ঙাক্তনি
অচুম্বা অহুতা ঙাঙননি।

ইশানা ইশামবু খঙগনি
অমগা অমগা পাংননি
থকসি খাসি নায়ননি।

পুক্নিংগী মা/৭৮

ডাউবগা তৌবগা মান্নবি
ভাবগা শেংপগা খেন্নবোই
উবগা চংপগা কুন্নবোই।


চাক্লি ফিবি তৌনবোই
অমোং অকাই থম্নবোই
ঐনা মহেক্লে হায়নবোই।

অচৌ ঈশক থায়নবোই
থম্মোয় খুদিং মান্নবি
লৌমী শিন্নী চান্নবি।

অঙাং খুদিং ইচাবি
অহল খুদিং ইপাবি
নুপী খুদিং ইমাবি।

শাবোই নোংমৈ কাপ্পবা
পায়ক্লোই চৈন্থু কুমবা
শেন্নোই যোমন্থু পোকথাম্নবা।

অরাম্বা মীহুনা কৈপ্পদো
[illegible] [illegible] ভাকপীদো
ইশয়না [illegible] য়েংবিদো। □



[illegible] তোইবমা

অইবগী মরমদা

খৃঃ কুম ১৯৪৯ গী আগষ্ট তাং ১দা কাছাডগী সোনাই মমাদা লৈবা জোড়াখুলদা পোকই; তিন্নিবামদা চাউরকই। অপোকপনা শ্রীহৈক্রুজম ৺জীবন সিংহ অপোকপীনা শ্রীমতী (কৈশাম নিংঙোল) ভদ্রাবতী দেবী কৌই। হৌজিক্তি কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা লৈরে। ইম্ফাল টেলিফোন এক্সচেঞ্জদা থবক তৌরি। মহাক্না সাহিত্য প্রেমী সমিতি, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অমসুং কলচরেল ফোরম অহমকী লাইফ মেম্বরনি। মমাঙদা "চেকথাইরবা মালেম" কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমসু মণিপুরী সাহিত্যদা থুদোল ওনখ্রে।